**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চুরাচান্দপুরদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা কে.এন.এগী দিপ্যুতি কম্মান্দর ইন-চীফ য়াওনা মীওই ৪ শিরে।

২) মণিপুরগী সি.এস.ওশিং- অমুকো, কোকোমি অমসুং ফোক্সকী মীহুৎশিংগা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গা ৱারী শান্নখ্রে। দাবী মঙা পুখৎখি।

৩) মনিপুরদা ঙসি মীওই ১২ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনখি, হৌজিক এক্তিভ কেস ৯৭ লৈরি।

৪) রাজ্যগী ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুন কুমার সিনহানা হায়রি- প্লাষ্টিকা থোকহল্লিবা অমাংবশিং থেংনবা হায়বসি সরকার খক্তনা ঙমলোই, মসিদা ষ্টেগ হোল্ডর খুদিংমক্কীসু চাউরবা দাইত্ব লৈ।

অমসুং

৫) তেলঙ্গনাদা লৈবা ফারমা কম্পনি অমদা পোকখায়বগী থৌদোক্তা শিন্মী ১২ শিরে, ২৬ হেনবনা অশোক অপন নংলে।

**------**

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুরদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী অমা য়াওনা মীওই ৪ শিরে।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল চুরাচান্দপুর জিলাগী মোংজাং অমসুং সিংলুন খুল অনিগী লোন্নবা মফম অমদা থোকখিবনি। নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদু সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু)দা য়াওদবা চীংগী লালহৌবা কাংলুপ অমনা তৌবনি হায়না দাবী তৌরক্লি। থৌদোক অদু করমা থোকখিবনো হায়বদু থিজিনবগী থবক চথরি। শিরবশিংগী মনুংদা সুদা য়াওবা কে.এন.এগী দিপ্যুতি কম্মান্দর ইন-চীফ অমসুং মহাক্না লোয়নবা মীওই অনি য়াওরি। নোংমৈ কাপ্লগী থৌদোক অদু চুরাচান্দপুর সহরদগী কিলোমিতর ৭ লোম লাপা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি। কে.এন.এগী মীওইশিংনা তোংলকপা কার অদুদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা অহল ওইরবা নুপী অমা য়াওনা কার অদুদা তোংলকপা মীওই অহুম অদু লৈখিদবনি হায়রি।

কোকোমি (এল) ঃ মণিপুরদা চহি অনি হেল্লক্লবা কাংলুপকী ইরাং লোইশিন্নবা পান্দমদা অমুকো, কোকোমি অমসুং ফোক্সকী মীহুৎশিংগা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গা ৱারী শান্নবা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা পাঙথোকপা মীফম অদুদা লুপ অহুম অসিগী মীওই ১৯ না শরুক য়াখি। গৃহ মন্ত্রালয়গী মাইকৈদগী ইন্তরলোক্যুতর এ.কে. মিশ্রা, ইন্তেলিজেন্স ব্যুরোগী জোইন্ট দিরেক্তর রাজেশ কামলে, ইন্তেলিজেন্স ব্যুরোগী এস.পি শুনিল কুমার অমসুং রাহুল পি.আর য়াওখি।

মীফম অদু সুব্রমনিয়ম ভারতি মার্কতা লৈবা গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসতা তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকখি। মীফম অদু নুংথিল পুং ২ মিনিত ৫৫ দগী পুং ৩ মিনিত ২৫ ফাওবা মখা তানা চথখি হায়রি। মীফম অদুদা সি.এস.ওশিংনা রাজ্য অসিগী নেসনেল হাইৱেশিংদা অয়েৎপা লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌহনবা, লৌমীশিংদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি পীবা, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী গ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

এৱার্ড (এল) ঃ আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল জর্নেলিষ্ট এৱার্ড ঙসি খুৎশিন্নখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দগী কোম্বিরৈ হাউস, হিজাগাং লেন্দদা লৈবা ত্রষ্ট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরমদা পোকফমগী এসিষ্টেন্ট ফিচর এদিটর বোনি থোঙামচাদা আর.কে. সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্ড খুৎশিন্নখি। এৱার্দ অদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫ অমসুং সাইতেসন য়াওরি।

আর.কে. সনাতোম্বা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা কংলা লানপুংগী ১৬ শুবা ভোল্যুমসু ফোংখি।

কোবিদ (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি কোবিদ নাইন্তিনগীদমক মীওই ৪৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১২ নৌনা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক এক্তিভ কেস ৯৭ লৈরি। ঙসি অসি থারগা রাজ্য অসিদা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মীশিং ২৫৫ শুরে। ঙসি মীওই ১৩ নাবা ফখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা নাবা ফবা অপুনবা মীশিং ১৫৮ শুরে।

হোম আইসোলেসনদা মীওই ৮৭ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ১৩ নাবা ফখি।

ক্লোজিং (এল) ঃ রাজ্যগী ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুন কুমার সিনহানা হায়রি- ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসিনা ঈশিং, নুংশিৎ অমসুং চান থকবা পোৎলমশিং য়াওনা হিরম কয়াদা শোকহল্লক্লিবশিং অসি হকচিন্না লৌবা মতম ওইরে।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগনা শিন্দুনা 'মালেমগী ওইনা প্লাষ্টিকনা থোকহনবা পোলুসন মুত্থৎলসি' হায়বা হীরমদা থাবুম অমা চুপা চত্থরকখিবা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৫ গী পালন থৌরম লোইশিনবগা মরী লৈননা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শ্রী অরুন কুমারনা মখা তানা হায়- প্লাষ্টিকা ওইহল্লক্লিবা অসিগুম্বা মরম কয়া অসি

থেংননবগীদমক ঐখোয় খুদিংমকা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং অমদি থবক থৌরমশিং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়- প্লাষ্টিকা থোকহল্লিবা অমাংবশিং অসি থেংনবা হায়বসি সরকার খক্তনা ঙমলোই। মসিদা ষ্টেগ হোল্ডর খুদিংমক্কীসু চাউরবা দাইত্ব লৈ। স্কুল, কলেজ, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অমসুং য়ুথ ক্লবশিং য়াওনা পুমমকা শরুক য়ামিন্নবা চংই। সরকারগী মাইকৈদগীসু পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

সেনাপতি (এল) ঃ প্রধান মন্ত্রি ধরতি অবা জন ভাগিদারি অভিয়ান সেচুরেসন দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ ১৫ নি চত্থরকপা কেম্পেন সেনাপতি জিলাগী পুরুল টি.দি. ব্লোক্কী ওইনা বি.দি.ও, এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি লোইশিনখ্রে। কেম্পেন অদুদা বেঙ্ক য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহনখি।

অমরোমদা, নুমিৎ ১৫ নি চুপা চত্থরকপা ধরতি অবা জনভগিদারি অভিয়ান প্রোগ্রাম ঙসি নোনে জিলাগী হাওচোং সবদিভিজনেল হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খুঞ্জা ৩০০ লোমা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনস্ ধরতি অমা জনজাতিয়া গ্রাম উৎকরস অভিয়ান তাইথু, দমদাই অমসুং ফেরজোল খুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্তা জুলাই ১ দগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা বঙ্গাই রেঞ্জ অমসুং তিপাইমুখ ব্লোক্তা ফাইনান্সিয়েল ইনক্লুসন স্কিমশিং পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখি।

নুমি ১৫ নি চত্থরকপা ধরতি অবা জন ভাগিদারি অভিয়ান তেংনৌপল জিলাগী সিতা খুলদা ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমসুং সিতা খুলগী খুঞ্জা ৩০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ট্রেন্নিং(এল) ঃ  চিঞ্জাক শেম শাবগী মতাংদা নুমিৎ তরেৎনি চুপা চথুরকখিবা রেসিদেন্সিয়েল স্কিল দিবলপমেন্ট ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল(মাস্টেক)কী ট্রেন্নিং হোলদা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলনা শিনদুনা চথুরকখিবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরমদা সার্তিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

হেলথ (এল)ঃ  দেন্টেল য়ুনিত সি.ঐচ.সি খুন্বোংনা শিন্দুনা ওরেল হেলথ ইদুকেসন সেসন ঙসি সি.ঐচ.সি খুন্বোংদা পাঙথোকখ্রে। অহানবা সেসনদা জে.এন.ভি খুন্বোংগী ওজা অমসুং মহৈরোইশিংগী ওইনা পাঙথোকখি। অনিসুবা সেসনদা খুলগী অহল লমনশিং, ক্লব অমদি আশাশিংগী ওইনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দেন্টেল কিটস য়েন্থোকপগা লোয়ননা ক্বিজ চাংদমবসু পাঙথোকখি।

কলা (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা কোস্মো পোলিতান কলচরেল ইন্সটিট্যুটকী ফাউন্দর অমসুং গুরু ডাঃ পুখ্রম্বম তেজবতি দেবীদা ওরিয়েন্ট বুক ওফ ৱার্ল্ড রেকোর্দকী সার্তিফিকেট পীদুনা ইকায় খুমখ্রে। মহাক হৌজিক হৌজিক অকাশবানি ইম্ফাল অমসুং দুরদরসন কেন্দ্র ইম্ফালগী এপ্রুভ বি-হাই আর্টিষ্টনি। মহাকা কলাবু য়োকখৎনবা অমদি মসিবু চাওখৎনবা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙদুনা ইকায় খুমবা অসি উৎলকখিবনি। মহাক পিশুম ওইনাম লৈকাইদগীনি।

চান্দেল(এল) ঃ  হান্নগী রাজ্য সভাগী এম.পি  অমসুং এম.এল.এ বি.দি বেহরিংগী অরোইবা মথৌ মঙম চান্দেল জিলাগী চকপাকারোং ব্লোককী মনুং চন্না লৈবা মহাক্কী পোকফম লমদম টুরচাম খুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মদুগী মমাংদা, ঙসি অয়ুক চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরগী জাফৌ বজারদা চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন অমসুং অনাল নাগা তাংপীনা শিন্দুনা লৈখিদ্রবগী

মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। মহাকা লৈখিদবদা চান্দেল কেন্দ্রগী এম.এল.এ, এস.এস ওলিস য়াওনা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা নুঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

বি.দি বেহরিংনা লৈখিদবদা মণিপুর এক্স-এম.এল.এ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা চীংমৈরোংদা লৈবা এসেমব্লি সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দেদ ঃগভর্নমেন্ট হিন্দি টিচরস ত্রেনিং কলেজগী অহানবা প্রিন্সিপাল ডাঃ তখেল্লম্বম কুঞ্জকেশ্বর সিংহনা লৈখিদবদা কলেজ অসিগী ষ্টাফশিংনা ঙসি অৱাবা ফোদোংকখ্রে। মশাগী চহি ৯২ শুরবা শগোলবন্দ নিংঙোম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা কুঞ্জকেশ্বর সিংহনা ইং ১৯৭২ দগী ১৯৯৬ ফাওবা কলেজ অসিগী অহানবা প্রিন্সিপাল ওইনা থবক তৌরমখি।

ওবিৎ ঃ পদ্মশ্রী থিয়াম শুরজামুখি দেবীনা লৈখিদবদা জগোই মরুপনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। লম্বোই খোঙনাংখোংদা ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরমদা শুরজমুখিনা মণিপুরী জগোইগীদমক লৌরম্বা থৌদাংবু নৌহৌননা নিংশিংখি। লৈখিদ্রবীগী অত্মানা শান্তি ওইনা লৈরুনবগীদমক মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

তেলঙ্গনা ঃ তেলঙ্গনাগী সঙ্গারেদি জিলাদা লৈবা ফারমা কম্পনি অমদা পোকখায়বগী থৌদোক্তা শিন্মী ১২ শিরে, ২৬ হেনবনা অশোক অপন নংলে।

থৌদোক অদু ঙসি কম্পনি অসিগী মনুংদা লৈবা সিগাচি ইন্দষ্ট্রিদা থোকখিবনি। পোকখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোকখি। এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা মী কনবগী থবক চত্থখি। মরক অসিদা মুখ্য মন্ত্রি রেবান্ট রেদ্দিনা ওফিসিয়েলশিংদা থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিংদা মতিক চাবা অনা লায়েংগী থবক চত্থনবা পাউতাক পীখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরস নেসনেল রিলিফ ফন্দদগী ক্ষেতিপুরন ওইনা লুপা লাখ ২-২ অমসুং শোক্লবা মীওইশিংগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভেটরিনারি, মেদিসিন অমসুং অনা লায়েংগী লমদদা অওনবা পুরকবগীদমক অনৌবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

উত্তর প্রদেশকী বারেল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ইন্দিয়ান ভেটরিনারি রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী ১১ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- অনৌবা টেকোলোজি শিজিন্নবনা লৈবাক অসিগী ভেটরিনারি হোস্পিতালশিং হেন্না ফগৎহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- জিনোম ইদিতিং, এমব্রাইও ত্রান্সফর টেকে ালোজি, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকুম্বা টেকোলোজিশিং শিজিন্নবদা লম অসিদা চাওনা অওনবা পুরকপা ঙমগনি। ইন্দিয়ান ভেটরিনারি রিছার্স ইন্সটিট্যুটকুম্বা ইন্সটিট্যুসনশিংনা লৈবাক অসিগী ওইজবা অমসুং শেল চংদনা মচি ওইবা চীঙ্গাকশিং পুথোকবা হোৎনগদবনি। জ্নোতিক লায়নাশিং ঙাকথোকবা অমসুং লাকশিন্নবা হোৎনবদা রিছার্স ইন্সটিট্যুটশিংনা চাওরবা থৌদাং লৌগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথ শরুক য়াখি।

সাহ ঃকোওপরেতিভ লম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং মসিগী থবক থৌরমশিং নৌহৌননা য়েংশিন্নবগীদমক কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা মন্থন বাইথক পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিনা কোওপরেতিভকী লম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক মীয়ামগী মোৎ লৌবগী খুদোংচাবা পীরি

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ অনিসুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সাউদর্ন স্পেপার্তিং য়ুনিয়ন্না অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা নিশানা দিমাপুর রোড এথলেতিক ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা চথরিবা ৫ শুবা এম.এন.সি.এ লুৱাংপোকপা টি-ত্বেন্তি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেলদা আর.সি.এ লিলোংনা রুল মৈত্রমবু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব শিংজমৈ চীংঙামখাবু ৱিকেট ৮ দা, রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট ৪ দা, ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু রন ৩৬ তা থোইখি।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা হয়েং রেজ নাগামপাল অমসুং সাইক্লোন থেংনরগনি। অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা আর.সি.এ লিলোং অমসুং ত্রাউ ক্বাকৈথেল হয়েং শান্নরগনি।

বোক্সিং (এল)ঃ হরিয়ানাদা পাঙথোকখিবা চহি ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী ৬ শুবা নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা সনাগী তকমান ফংদুনা বেষ্ট বোক্সরগী মীংথোল লৌরকখ্রবা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু কছারতাবীদগী মোইবুংখোংবম লনচেনববু ঙসি লমদম অদোমগী মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে। মহাকপু ওকপগী থৌরম অদু ৱাংঙু কছারতাবী য়ুথ ক্লব অমসুং মৈরা পায়বী লুপশিংনা শিনবনি।

বেদমিন্টন ঃ ভারতকী বেদমিন্টন শান্নরোই আয়ুস সেত্তিনা বি.দব্লিউ.এফ ৱার্ল্ড টুর লৌদুনা টাইটল অসি লৌবা অহানবা ভারত মচা ওইরে। চহি অসিগী য়ু.এস ওপন ২০২৫ ফাইনেলদা মহাকা কেনাদাগী বি. য়াংবু ষ্ট্রেট সেটতা ২১-১৮, ২১-১৩ দা

থোইখিবনি। অদুমওইনমক, নুপীগী সিঙ্গলসতা ভারতকী তনভি শর্ম্মা রন্নরসঅপ তাহৌরে। মহাকপু চাইনাগী বি. ঝাংগী মখুৎতা সেট অহুমদা লৈহৌবনি।

ৱিমল্লেদন ঃ ৱিমল্লেদন টেন্নিস তুরনামেন্ট ঙসিদগী ওল ইংলেন্দ ক্লব লন্দনদা হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসি জ্লাই ১৩ দা নুপাগী ফাইনেল শান্নদুনা লোইশিনগনি।

------